# টেররিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবা মতম ওইরে : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি




**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা সোল পিছ প্রাইজ পীদুনা ইকাই খুম্নখ্রে।

দোল্লর ২০০,০০০গী শেনফম য়াওবা এৱার্দ লৌবগী থৌরমদা মহাক্না হায়খি, মালেমগী মীপূম খূদিংমক্না টেররিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা মতম ওইরে। হীরম অসিগী মতাংদা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইননা ইন্দিয়াদা মপূং ফানা শৌগৎলকপগীদমক মহাক্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা সী আর পি এফকী কনভোয় অমদা এটেক চথরকখ্রবা মতুংদা সাউথ কোরিয়ানা করিগুম্বা মখলগী কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা ইনিদয়াদা মপূং ফানা শৌগৎলকখি।

এৱার্দ লৌবগী থৌরমদা প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইনগী নাকলদা লেপ্লগা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, টেররিজমগী মায়োক্তা লৌখৎপা থবক থৌরমশিংদা ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা মপূং ফানা মতেং পাংনরগনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) খূৎয়েক পীনদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎনবা শেম শারে।

এৱার্দ পীবগী থৌরম অদুদা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইননা হায়খি, পুলৱামাদা টেররিষ্টশিংনা সী আর পি এফকী কনভোয় অমদা এটেক চথখিবগী থৌওং অদু খ্বাইদগী কনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই।

মমাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা সাউথ কোরিয়াগী নেসনল পুলিসকা ট্রান্সনেসনল ক্রাইম এন্দ পুলিস কোওপরেসনগী মতাংদা এম ও য়ু অমা খূৎয়েক পীনদুনা টেররিজমগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া লৌখৎমিন্নবগী ৱাফম য়ানখি।

শেল-থুমগী লম্দা মতেং পাংনবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, সাউথ কোরিয়াগী মতৌ তমদুনা ইন্দিয়াদা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি। সাউথ কোরিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা লৈবাক ১০গী মনুংদা ইন্দিয়াসু অমনি। কোরিয়াগী পোৎলমশিং খ্বাইদগী য়াম্না লৈবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা তরুকশুবদা লৈরি। কুমজা ২০১৮ দা লৈবাক অনীনা দোল্লর বিলিয়ন ২১.৫ গী লল্লোন-ইতিক তৌনখি। কুমজা ২০৩০ দদি দোল্লর বিলিয়ন ৫০ য়ৌহন্নবা পান্দম থল্লি। লৈবাক অনীনা কমপ্রিহেন্সিভ ইকনমিক পার্টনরশিপ এগ্রীমেন্ট (সী ঈ পি এ) খূৎমাং চাউশিনহনবগা লোয়ননা লল্লোন-ইতিক্কী থবক থৌরম কয়া পূন্না লৌখৎমিন্ননবা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী এক্ট ইষ্ট পোলিসি অমসুং সাউথ কোরিয়াগী ন্যু সাউদর্ন পোলিসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরী অমুক্কা হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

সাউথ কোরিয়া খোঙচৎকী অহানবা নুমিৎতা প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অদুগী মকোক থোংবা বিজিনেস লীদরশিংগা উনদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা য়োনসৈ য়ুনিভর্সিটিগী সোল কেম্পসতা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম অমা মায়খুম হাংদোকখি। মফম অদুদা লৈরিবা ইনিদয়নশিংদা ৱা ঙাংবদা মহাক্না হায়খি, বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক হেক লাকপগা ইন্দিয়াদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙম্লে। গূদস এন্দ সর্ভিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনবদগী শেনমীৎলোন ফগৎহনবা ঙম্লে।

য়োনসৈ য়ুনিভর্সিটিগী সোল কেম্পসতা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধীগী মীতম মায়খুম হাংদোকপগী থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, অহিংসা-অশা হোংলকপা অমসুং টেররিজম মায়োক্নবগী মতাংদা ইনিদয়ানা লৌখৎলিবা থৌরাংশিং মালেমগী মীয়ামদা খঙহন্নবগী খূদোংচাবা তাঞ্জা লাক্লে।

ইন্দিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়াগী মরক্তা অচেৎপা মরী থম্মদুনা লাকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা নবেম্বর থাদা সাউথ কোরিয়াগী ফর্ষ্ট লেদি কিম জুং সুকনা অযোধ্যাদা কুইন সুরিরত্ন মেমোরিএলদা শরুক য়াখি। কুমজা ২০১৫গী মেদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা সাউথ কোরিয়াদা চৎখিবগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮গী জুলাইদা সাউথ কোরিয়ন প্রসিদেন্ট মুন জাই-ইননা ইন্দিয়াদা লাক্লম্বা লৈখ্রবনি।

# ফেব্রুৱারী ২৭ তা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদৌরি



**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** ফেব্রুৱারী ২৭ তা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা কমন মিনিমম প্রোগ্রাম শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি।

ফেব্রুৱারী ১৩ দা কোংগ্রেস য়াওনা মরুওইবা ওপোজিসন পার্টি ৬ কী মীফম পাঙথোক্তুনা লোক সভা মীখলদা বি জে পি মায়থীবা পীনবা থৌরাং লৌখৎপা হৌখ্রবনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংগী মনুংদা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী, তৃণমুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জী, আম আদমি পার্টিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা দিল্লিগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱাল, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট শরদ পাৱর, অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর এন চন্দ্রবাবু নাইদু অমদি নেসনল কনফরেন্সকী লুচিংবা ফরুক অব্দুলা য়াওখি।

মীখল মমাংদা অতোপ্পা পার্টি অমত্তগা এলাইয়ন্স শেম্নবা থৌরাং লৌখৎলোই হায়না লাউথোকখ্রবা লেফ্ট পার্টিশিংদি ফেব্রুৱারী ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মীফমদা শরুক য়ারোইদৌরি।

চৈরকসিদা, হন্দক পাঙথোক্ক-দৌরিবা ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখল অসি পুৱারীদা শেল খ্বাইদগী য়াম্না চঙবা মীখল ওইরগনি হায়না য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সতা লৈবা এক্সপর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

কার্নেজি এন্দাওমেন্ট ফোর ইন্টরনেসনল পিছতা সাউথ এসিয়া প্রোগ্রামগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা মিলন বাইস্নবনা হায়খি, লোক সভাগী মেম্বর ৫৪৩ খন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা মীখলগী মতম লাউথোরক্লগনি। কুমজা ২০১৬ তা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সকী প্রসিদেন্সিএল অমসুং কোংগ্রেসনেল ইলেক্সন পাঙথোকপদা দোল্লর বিলিয়ন ৬.৫ চঙখি। কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভাগী মীখলদনা দোল্লর বিলিয়ন ৫ চঙখি। হন্দক্কী মতাং অসিদদি লোক সভাগী মীখল পাঙথোকপদা শেল কা হেন্না চঙলবা য়াই হায়না থাজনরি।

ইন্দিয়াদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ফন্দিংগা মরী লৈননা মনুং-মপান ফাওনা উবা থৌরাং লৌখৎপা লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, করম্বা মীওইনা করম্বা পার্টিদা শেল কয়া য়াম্না দোনেট তৌরকপগে হায়বা চপ চানা খঙনবগী পাম্বৈ লৈতে। পোলিটিসিয়ন অমনা মীখলগা মরী লৈননা কনাগুম্বা মীওইদগী শেলগী তেংবাং লৌবগী মতাংদসু চপ চানা থিগৎনবা থৌরাং লৈতে। হন্দক্কী মীখল অসিদা শেল কা হেন্না চঙবা তারবসু চাওরাকপা অমা পারগা য়েংবা নৎতনা মীখলদা শেল কয়া য়াম্না চঙখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্বগী ফীভম লৈরোই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর এম কে-৩ ইন্দিয়ান আর্মিদা পীখ্রে

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** বেঙ্গলুরগী য়েলহানকা এয়র ফোর্স বেজদা পাঙথোকখিবা এরো ইন্দিয়া-২০১৯দা উৎখিবা ইন্দিয়ানা শাজবা এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর এম-৩ ইন্দিয়ান আর্মিদা ওফিসিয়েল ওইনা পীখ্রে হায়না আর্মি এভিয়েশনগী দিরেক্টর জেনরেল ওইরিবা লেফ্টনেন্ট জেনরেল কনৱাল কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর এম-৩ অসি কিলোৱাট ১০৩২গী ইঞ্জিন অনীনা পাঙ্গল পীদুনা শেম্বা টন ৫.৫ লূম্বা হেলিকোপ্টর অমা ওইরি। হেলিকোপ্টর অসিনা নোংথক্তা ফিট ২০,০০০ (মিটর ৬,০০০) ৱাংবা মফমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা মপাঙ্গল ফূদোকপা ঙম্বা হেলিকোপ্টর অমা ওইরে। হায়রিবা হেলিকোপ্টর অসিনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা অৱাংবা মফমদা লৈরিবা মরু ওইবা লান্মী অমদি অতোপ্পা সিভিলিয়ানগী মফমশিংদা লান্মী হোংদোক-হোংজিন তৌবা অমদি খূৎলায় অমসুং মতেং পাংনবগী থবক মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙম্বা হেলিকোপ্টর অমা ওইগদৌরি।

এদভান্স লাইট হেলিকোপ্টর এম কে-৩ অসিনা খূৎশু-খূৎলায় শুরবা লান্মী ১৪ অথুবা মতমদা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্নবা পুথোক পুশিন তৌবগী খুদোংচাবা অদু পীরি। হেলিকোপ্টর অসি ইন্টিগ্রেটেদ আর্কিটেকচর দিসপ্লে সিষ্টেম (আই এ দি এস) অমনি। দিজিটেল মুভিং মেপকী টেক্নোলোজি হাপ্তুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা শীজিন্নরিবা হেলিকোপ্টরশিংগা চাংদম্নবদা থাক হন্থদ্রবা হেলিকোপ্টর অমা ওইরি হায়না দিফেন্স ইন্টলিজেন্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হেলিকোপ্টর অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ৱারফেয়র শূট ইলেক্ট্রো ওপ্টিকেল পোদ, কাওন্টর মীজর দিফেন্স সিষ্টেম, ইনফ্রা রেদ সপ্রেশর, হেল্থ এন্দ য়ুজেস মোনিটরিং সিষ্টেম, সোলিদ ষ্টেট দিজিটেল ভিদিও রেকোর্দর অমসুং ইঞ্জিন পার্টিকল সেপরেটর য়াওনা থাক ৱাংবা টেক্নোলোজি হাপ্তুনা বেঙ্গলুরগী এরো ইন্দিয়া শো অদুদা মীয়াম্না য়াম্না থাগৎনখিবা হেলিকোপ্টর অমা ওইখি।

আর্মিদা খূৎশিন্নদুনা এম কে-৪ হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা 'রুদ্রা' হায়বা মিংথোল ফংদুনা ইন্দিয়াগী ইলেক্ট্রোনিক ৱারফেয়র প্লেটফোর্মদা অচৌবা মতেং অমা ওইগনি হায়রি।

# ২০১৯ মীখল মালেমগী খ্বাইদগী শেল চঙবা ওইগদৌরি

**ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** চহী অসিগী এপ্রিল অমসুং মে থাগী লোন্নবদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়াগী লোক সভা মীখল অসিনা মালেমগী খ্বাইদগী শেল চঙবা মীখল অমা ওইগদৌরি হায়না য়ু এসতা বেজ তৌবা এক্সপর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

ইলেক্সন কমিশন ওফ ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা লোক সভাগী মেম্বর ৫৪৩গী সিট অসিগী মীখলগী মতম লাউথোক্কদৌরি। এক্সপর্ট অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না কুমজা ২০১৬তা য়ু এসকী প্রসিদেন্সিয়েল অমসুং কোংগ্রেশনেল মীখলদা পূন্না য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৬.৫ চঙখি। অদুগা ইন্দিয়াগী ২০১৪ লোক সভা মীখলদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৫ চঙখিবা অসিগী মতুংদা চহী অসিদা মদুদগী চাং হেনগৎতুনা মালেমগী খ্বাইদগী শেল চঙবা মীখল ওইগদৌরিবনি।

# কোংগ্রেসনা সেন্টরদা লৈঙাক পায়রবদি রামগী লাইশঙ শাগনি ঃ হরিস রৱাট

**দেরাদুন, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** ইন্দিয়াগী কোংগ্রেস পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা হরিস রৱাটনা ফোঙদোকখিবদা, করিগুম্বা লাক্কদৌরিবা এপ্রিল অমসুং মে থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা মায় পাক্তুনা সেন্টরদা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি অয়োধ্যাদা রামগী লাইশঙ শাগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি দেরাদুনদা হরিস রৱাটনা পাউমীশিংগা উনবা অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্কী ৱাফম অদুদা মমাঙদা লৈঙাক পায়খিবা কোংগ্রেস পার্টিনা রাম লাইশঙ শাননবা থবক থৌরম কয়া লৌখৎখি। অদুবু থবক থৌরমশিং অদু অনীরক লৌখৎখ্রবা মতুং মীয়ামগী অমদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চুংশিন্নবা ৱাৎপদগী রাম লাইশঙ অদু শাবা ঙমখিদবনি হায়রি। অদুবু করিগুম্বা হন্দক্কী মীখল অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা মপূং ফানা লৈঙাক শেম্বা ঙম্লবদি রাম লাইশঙ অসি শুংশোয় শোয়দনা শাগনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিগী অরেপ্পা ৱাখল্লোন লৈ হায়না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।



হরিস রৱাটনা হৌজিক হৌজিক ইনিদয়া লৈঙাক্কী লুচিংবা ওইরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি অমদি চুংশিন্নবা অতোপ্পা পার্টিশিংনা রাম লাইশঙগী ইস্যু অসি কোম্না লৌবদগী থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদবনি হায়না মরাল শীরি।

মহাক্না মখা তাখিবদা, লৈঙাক্না রাম লাইশঙ অসি শানবগীদমক্তা মতেং পাংবা শাফূ অমা ওইদুনা থবক পায়খৎকদবনি নৎত্রবদি রাম লাইশঙ শাগদৌরিবা অয়োধ্যাগী মীয়ামশিং অমদি রাম লাইশঙ শাবা পামদবা অতোপ্পা মীয়ামগী মরক্তা চয়েৎনবা লৈবা অদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপদা অচৌবা অপনবা ওইগদৌরি হায়খি।

কোংগ্রেস পার্টিগী রৱাটনা মখা তানা পুলৱামা টেরর এটেক্কী মতাংদা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোদিবু মরাল শীদুনা লৈবাক অসিদা নেশনেলিষ্ট ওইবা ৱাখল্লোন অমা পুরক্নবা হোৎনবদা খেন্নে হায়খি।

# তেলঙ্গনা লৈঙাক্না পুলৱামা এটেকতা লৈখিদবশিংগী মতেং লাক্ষ ২৫ পীগদৌরি



**হায়দরবাদ, ফেব্রুৱারি ২২(এজেন্সী):** তেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রখের ৰাও ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমদা থা অসিগী ১৪ দা জম্মু অমসুং কাশ্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা টেরোরিষ্ট সুইসাইদ বোম্বর এটেক অমদা লৈখিদ্রবা সি আর পি এফ পর্সনেল ৪০গী নক্নবা ইমুং-মনুংদা শেলগী মতেং ওইনা লুপা ২৫/২৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ৱাফম অসি তেলঙ্গনা ষ্টেটকী এসেমব্লিদা পুলৱামাগী থৌদোক অদুবু চাওনা য়ানীংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা এসেমব্লিগী মেম্বরশিংনা অমত্তা ওইনা য়ানখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা সি আর পি এফ পর্সনেল ৪০গী নক্নবা ইমুং মনুংশিংদা লুপা লাক্ষ ২৫/২৫ মতেং পীগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

তেলঙ্গনা ষ্টেট এসেমব্লি অদুদা হাওসনা পুলৱামা টেরর এটেক অদুদা লৈখিদ্রবা সি আর পি এফ পর্সনেলশিং অদুগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোক্তুনা মিনিট ২ তূমীন্না লৈখি। হাওস অদুনা বজেটকী সেসন ফম্বা হৌরকপা অদুদা পুরৱামাগী থৌদোক অদুবু য়াম্না লূম্না লৌদুনা এটেক অদু কাশ্মিরখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াদা পূম্বদা চথরকখিবা এটেক অমনি হায়না লৌখিবগা লোয়ননা শেলগী মতেং অদু পাংবদা হাওস অদুনা অমত্তা ওইনা য়ানখিবনি। হাওস অদুগী ওপোজিশন লীদর অদুনা মালুবাতি বিক্রম অধিত্যানা ফূরকখিবদা লৈবাক অসিনা পোলিটিকেলগী খেন্নবা লৈরবসু তাঙ্কক অসিদা পূনশিনবা অমা ওইরে হায়না ফোঙদোকখি।

IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE, BISHNUPUR, MANIPUR

ORIGINAL SUIT (SUCCESSION) NO. 1 OF 2019

Md. Ayub Ali aged about 37 years, son of Late Md. Nasib Ali, a resident of Keikhu Mayai Leikai, P.O. & P.S. - Porompat, Imphal East District, Manipur.

...... *Plaintiff.*

-Vrs-

1. Minarjan Bibi aged about 55 years, wife of Late Md. Nasib Ali, a resident of Kwakta Tera Khongsangbi, P.O. & P.S. - Moirang, Bishnupur District, Manipur and 5 (five) others.

...... *Defendants.*

To

**ALL INTERESTED PERSONS.**

**ꯁꯝꯃꯣꯟꯁ/SUMMONS**

Whereas the above named plaintiff has filed a suit in this court for granting succession certificate in respect of the balance of PPF and saving bank account a total amount of Rs. 1,63,018/- (Rupees one lakh sixty-three thousand and eighteen) only lying at Imphal Head Post Office in the PPF account and saving bank account of Late Md. Nasib Ali, S/o. Late Md. Amir Ali of Kwakta Tera Khongsangbi, P.O. & P.S. - Moirang, Bishnupur District, Manipur who during his life-time, was serving as. Supervisor Kanungo (S.K.) in Revenue Department, Government of Manipur.

All the interested person are hereby summoned to appear in person, or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the said application, or who shall be accompanied by some persons able to answer to all such questions on this 16th day of March, 2019 at 10:30 O' Clock in the forenoon, to answer the claim of the applicants.

Take notice that, in default of your appearance on the day before mentioned, the application will be heard and determined in your absence.

Given under the order of the Court on this 20th day of February, 2019.

Seal — *Sd/-* **Sheristadar**

By :- Advocate — *District & Sessions Court, Bishnupur*

HL-P/3791/22,23

# MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY SECRETARIAT

## NOTIFICATION

Imphal, the 21st February, 2019.

*No. 01/01(01)/2019-LA(Estt):* Applications are invited from the intending candidates for direct recruitment to 1(one) anticipated vacant post of Legal Assistant in Manipur Legislative Assembly Secretariat on regular basis. The number of the post may be increased or decreased subject to availability of vacancies from time to time.

| Pay Scale | Essential Qualification | Desirable | Age Limit | UR | ST |
|---|---|---|---|---|---|
| ₹9300-34,800 and Grade Pay of ₹ 4400 | (i) LLB from a recognised University.<br>(ii) Graduate or its equivalent from a recognised University. | (i) 3(three) years experience at the Bar.<br>(ii) Administrative experience in legal works.<br>(iii) Knowledge of Computer Application.<br>(iv) Knowledge of Hindi and Manipuri. | (i) 38 yrs. and below (Relaxable by 5 yrs. for SC/ST and 3 yrs. for OBC candidates)<br>(ii) The upper age limit is relaxable for Govt. Servants appointed under Govt. of Manipur/ Manipur Legislative Assembly Secretariat to the extent of the period of continuous service put in the post /service who belong to SC/ST/OBC will get the facility admissible to a Govt. servant in addition to the relaxation admissible to SC/ST/OBC candidates mentioned at (i) | 1 | 0 |

***Terms & Conditions:***

1. Application forms will be available at **the Museum & Archives, Old Assembly Secretariat behind Indira Park** on payment of ₹500/-(Rupees five hundred ) only for unreserved candidates and ₹300/-(Rupees three hundred ) only for SC/ST candidates from 22-02-2019 to 25-02-2019 and duly filled-in forms shall be submitted from 26-02-2019 to 28-02-2019 during office hours at the said venue. Admit Card will be issued on **01-03-2019** at the same venue during office hours.
2. **The written test for direct recruitment to 1(one)anticipated vacant post of Legal Assistant will be held on 02-03-2019 at 11:30 a.m. in the premises of Museum & Archives, Old Assembly Secretariat behind Indira Park.**
3. The decision of the authority as to the eligibility or otherwise of the candidates will be final.
4. The notification may be cancelled at any time without assigning any reason thereof as per decision of the authority.
5. The detailed information can be had from the office of the undersigned during the office hours.
6. There shall be relaxation of upper age limit for those who have the experience of working in the Assembly Secretariat or any Govt. Department/ Organisation/ Institution to the extent of number of year(s) they have served on contract basis or regular basis.

*Sd/-*
**G. Tapankumar Sharma**
*Joint Secretary (Admn.),*
Manipur Legislative Assembly.

HL-B/5224/22,23